ইচা ননাও উন্নবা চৎপদা (কিনমেন আইলেন্দ)

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মেনলেন্দ চাইনাদগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ৬ খক্কী ঈশিং ঈপাক্কা খাইদোক্লগা লৈবা টাইৱানগী নোংচুপ থংবদা লৈরিবা কিনমেন হায়রিবা ঈথৎ অসিদা টাইৱান মেরিন কোর্পসতা ত্রেনিং চত্থরিবা ইচানুপা ননাওগা উনবা চৎলুবদা (ওক্টোবর ২, ২০২০) থেংনরকপা অৱা-নুংঙাই খরা পাউদমজগে ঙসিদি। কিনমেন হায়রিবা ঈথৎ অসিগী য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইবা ৱারী অমা হায়রগদি কুমজা ১৯৪৯দা কম্যুনিষ্ট মেনলেন্দ চাইনাগী পি এল এ আর্মিগা টাইৱান্দা লাক্লুনা (মতম খরগী ওইনা কম্যুনিষ্ট চাইনা মায়থীবা পীদ্রি ফাওবা হায়না খন্দুনা লাকখিবা কুওমিন্তাং) কেম্প তৌদুনা নেসনলিষ্ট কুওমিন্তাংগা লাল থেংনখিবা অদুনি। লাল অদু 'দ বেট্টল ওফ কিনমেন' হায়না খঙনৈ। কম্যুনিষ্ট মেনলেন্দ চাইনাগী পি এল এ আর্মিনা কুওমিন্তাংগী নেসনলিষ্ট আর্মিবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসি কম্যুনিষ্ট চাইনাগী মখাদা থম্বা ঙমগনি খন্দুনা লান্দারকখিবা পি এল এগী আর্মিশিংবু কুওমিন্তাংগী নেসনলিষ্ট আর্মিনা কিনমেন হায়রিবা ঈথৎ অসিদা য়াম্না থীনা মায়থীবা পীখিবগী থৌদোক অদুনা কিনমেন হায়রিবা ঈথৎ অসি ঙসি ফাওবা নীংশিংনরি। মসি হায় হায়দুনা ঙসি ওইরিবা চাইনাগী ফীভম অসিদদি কুমজা ১৯৪৯দা থোকখিবা থৌদোক অদুগুম ঙসিসু থোক্কনি হায়বদি য়াম্না লানগনি।

অদুবু ঙসি-ঙসি ওইরিবা ফীভম অসিদদি হান্নগুম অদুগুম্বা য়াম্না য়েংথিনবগী ফীভম অদু লৈতবনা হায়রিবা লালগী ওইনা কম্যুনিষ্ট চাইনানা লান্দারকপদা ঙাকথোক্লবা মতমদুদা থল্লম্বা মিলিটরিশিংগী বঙ্করশিং, পলসিং, নোংমৈ, টোপ, টেঙ্কনচিংবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু ঙসিদি টুরিষ্টশিংনা লাকপদা য়েংনবা হায়দুনা ম্যুজিয়ম ওইনা অমদি টুরিষ্ট স্পোটসশিং ওইনা নিংথিনা শেমজিন্দুনা থল্লি। হোয় হান্নগুম য়েংথীনবা লৈত্রবসু পোলিটিক্সকী ওইবা য়েংথীনবদি ঙসিসু লৈরি। অদুবু মীচম মীয়ামগী মরক্তদি অদুক হাক্লা য়েংথীনবা লৈতে, মরু ওইনা ৱাখল তারবা, ৱাখল নিংথিনা খনবা ঙম্লবা মীওইশিংদদি। অদুবু হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা মিনচিংতাঙ হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিনা মখোয়গী কান্নবা য়েংদুনা, মখোয়না মতম শাংনা লৈঙাক পায়নবা হায়দুনা মশা-মশানা ৱাখল খনবা ঙমজদ্রিবা, অফ-ফত্ত খঙদ্রিবা হৌরক্লিবা নহারোল কয়াগী মফমদদি চাইনাবু য়াম্না ফত্তনা, লান্না উহন্নবা টাইৱানগী পুৱারীবু ওন্থোক ওনশিন, শেমজিন শাজিন তৌদুনা হোৎনদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। মসিনা মরম ওইদুনা নৌরিবা নহারোল কয়াদি চাইনাগী মায়োক্তা লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা অশেংবা পুৱারীবু শেমদোক শেমজিন তৌবসিদি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক্তসু থোকখি হায়বসি ময়াম্নসু হেন্না খঙবীরবনি, উবীরবনি। ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা পুৱারীবু শেমজিন-শাজিন তৌদুনা লাকখিবনা ঙসিসু হীরম অমা হেক য়েংলুবদা অনী থোকপী, অহুম থোকপী হায়না চয়েৎননা ইরিবা অসিনি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মতাংসিদা হৌখ্রবা পুৱারী নৈনজররোই।

হন্দক্কী কিনমেন ঈথৎকী খোঙচৎ অদুদা থেংনরকপা পাড়া খরদং পাউদমজগে। অহানবদা, এরোপ্লেন তোংবদা থেংনরকপা চৎনবী খরা পাউদমজগে। এরোপ্লেন তোংলমদাইদা হকচাংগী অঙঁং-অশা য়েংদুনা চঙহনবদা নত্তনা মতম চূপ্পদা মাস্ক উপ্তুনা চৎকদবনি হায়বা চৎন-কাঙলোনশিং এরোপ্লেন তোংলিবা মীওই অমতনা ইন্দবা থেংনরক্তে। মাস্ক উপত্রবদি এরোপ্লেন তোংবা চঙহন্দে। মীওই খুদিংমক এরোপ্লেন মনুংদা হেক চঙলকপগা মশা-মশাগী পোৎশিং ওভরহেদ লোকরদা হাপচিন্দুনা মশা মশাগী ফম্ফমলাংদুদা ফমদুনা তুমিন-তুমিন এরোপ্লেন পাইবা ঙাইনৈ। এরোপ্লেন মনুংদা হেক চঙলকপগা টোইলেট চঙবা অমদি ঈশিং থক্কে, অচাপোৎ পীয়ু হায়বনচিংবা ইন্দিয়া মচাশিংনা তৌবদো অমত্তা উবা ফংদে। টাইৱানগী মীওইশিংসি য়াম্না লৈবাক মচা তাই, চৎন-কাঙলোন হায়নবা লৈতনা ইন্দুনা চৎনৈ। অসিগুম্বা মখোয়গী চৎন-কাঙলোনবু হায়নবা লৈতনা ইন্দুনা চৎপা লিচৎ অসিমক্লনি টাইৱান্দা থা ৫/৬ চূপ্না কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লান্দাদুনা লাকপদা মী য়াম্না কুংনা তাবা, পূন্না মীওই লাখ ২২৪ মুক লৈবা টাইৱান্দা শুপ্নতগী মীওই ৫২১ লাইচৎ অসিনা নাখিবা অদুগা ফখিবা মীওই মশীংনা ৪৮৫ য়ৌখ্রে। অদুগা শিখিবসু শুপ্নতগী মীওই ৭ খক্তনি। শিবা লেপখিবদি কুইরে থা মরিমুক ফারক্কদৌরে।

অদুবু মখোয়গুম চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎনীংদবা ইন্দিয়া অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তদি লোইরে পুমচাই চাইরে। লাখ ২২৪ হেন্না লৈবা টাইৱান্দনা শুপ্নতগী মীওই ৫২১ লাইচৎ অসিনা নাহনখি অদুগা শুপ্নতগী মীওই লাখ ২৮/২৯ লৈবা ইরমদম কংলৈপাক্তনা মীওই ১২,২৪০ হেন্না নাহল্লে। অদুগা শিবগী চাংসু অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। থা ৫/৬ লাইচৎ অসিবু লান থেংনদুনা লাকপা অসুক মী কুংনা লৈবা টাইৱান্দনা মীওই ৭ খক শিরগা ইরমদমদনা তেল্লবা মতম অসিদা মীওই ৭৮ হেন্না লমখাংদা পুন্সি লোমখ্রে। মীচম মীয়াম্না চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চত্তবগী মথক্তা পাল্লিবা ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমগী লৈঙাকসিসু মথৌ তৌদে। ক্বারন্টিন সেন্টর অসুক হাংদোক্লে, কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লে হায়বনচিংবা পংলাউদা লাউথোকই অদুবু সেন্টরশিং অসিদা চঙদ-য়াদ্রবা পোৎলমশিং অদুসু পীদে, থন্বীদে। হেনমনখ্রে ঐখোয়গী লৈঙাকসে। পোলিটিক্স তৌদুনা ফম কন্নবা হোৎনদুনা লৈরে সী এমসু, অতৈ মিনিষ্টরশিংসু, এম এল এশিংসু। মখোয় লোইনমক চপ মান্নে। ঙসি ঙসিসু অসুক লুরবা তাঞ্জা অসিদা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী ওনরেবল সী এম য়াওনা ভোট কন্না খোন্বা চত্থরি সী এস ও অমদি মীচম মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা।

অনীশুবদা থেংনরকপা পাউদমদি কিনমেন হায়রিবা ঈথৎসিদা থন্বীরিবা লম্বী-থোং, উপাল-ৱাপাল অমদি মহৌশাগী ফীভম অসিনি। ঈথৎ অসিগী লম্বী-থোং অসুক্কী মতিক নিংথিজনা লৈঙাক্লা থন্বীখ্রে। গাড়ী থৌবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই। মী থোইদোক্লা য়াম্না তাবা ঈথৎ নত্তে হায়দুনা লম্বীদা ত্রাফিক সিগনেল থমদবা কয়া অমসু লৈ অদুবু মশা-মশানা ৱাখল তানা থৌনবনিনা করিসু কিনীংঙাই লৈতনা থৌনৈ ময়াম্না। অদুগা লম্বীগী নাকল-নাকলদনা নিংথিজরবা লৈরাংশিং, উ-পাম্বীশিং থাবীদুনা অসুক্কী মতিক ফজহল্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা লম্বীশিংসি অসুক্কী মতিক নান্না থম্মী, অমোৎপা প্লাষ্টিক, চে-চাং অমত্তা হেক তাবা উদে হায়বা য়াই। ঈথৎসিদা লৈরিবা খূৎশেমগী অমদি মহৌশাগী পুখ্রি, পাৎ অমদি তুরেল অসুক্কী মতিক নান্না চে-চাং মচেৎ অমত্তা হেক তাদনা থম্মী হায়বা য়াই, য়াম্না নানখ্রে। অসুম্না থন্বীবা অসিনা গাড়ী থৌদুনা চৎপদা পূক্লিংসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইহল্লি, তেকখৎহল্লি। চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম অমদি মফমশিং অসিদা লৈরিবা মীয়ামসু হায়নবা নাইদনা হুন্দোক্কদবা পোৎলমশিং, ফত্ত-হৌদিশিং মফম চানা-চানা থল্লিবা ত্রাশ কেনশিং, দষ্টবিনশিংদা অমদি গার্বেজ ত্রকশিংদা হুন্দোকনৈ।

অসিগুম্বা নিংথিজবা, মীয়ামগী ৱাখল তাবা অমদি মশা মশানা মথৌ তৌজবগী অমদি নিংথিজবা, নান্না থম্বা মীয়াম অসি উরুরগা ইরমদমদা তৌরিবা চাইরিবা, মোৎলিবা ময়ামদো হেক্তা নীংশিংলকই। ইরমদমগী ফীভমশিংদো হেক নীংশিংলকপদা ঈথৎসিদা নীংথিজবা, মশা নানবা কয়া উরুবগী নুংঙাইবা ৱাখলশিংদো ইরমদমগী অমোৎপা, অকায়বা শক্তমশিং অদুনা মহুৎ হেক্তা শিনজিনখি। নুংঙাইথোকপা হেক্তা ঙমদে খেন্নবা কয়া অসি উরুবদা। অসিগুম্বা নুংঙাইবা, অনানবা খুন্নাই অমা পুরক্কে হায়রবদি লৈঙাকপশিং অমদি মীচম মীয়াম থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌনবা য়াম্না মথৌ তাই। মদু হেক লৈত্রিফাওবদি ইরমদম চাওখৎপা ঙম্লোই, নান্না লৈবসু ওইথোক্লোই হায়না থমজগে।

অতোপ্পা অমনা, ঈথৎসি টুরিষ্ট য়াম্না লাকই। মসিগী মরমদি ঈথৎসিদা লৈরিবা লম্বী-থোং, উপাল-ৱাপাল, পুখ্রি, পাৎ, তুরেল অমদি অতৈ মফম খুদিংমক য়াম্না নিংথিনা শেমজিন্দুনা লূনা-নান্না থন্বীবা অসিনি। মসিগী মথক্তা কিনমেন হায়রিবা অচৌবা ঈথৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা সমুদ্র খোংবানশিং অসিবু য়াম্না নিংথিনা শেমজিনবীদুনা লূনা-নান্না থন্বীবনা অসুক্কী মতিক টুরিষ্টশিংবু কৌশিল্লি। চৎলুবা, য়ৌরুবা মফম খুদিংমক থম্মোয়সে শুমহৎলি হায়বদুনি। ৱাখলসে অসুক্কী মতিক নুংঙাইহল্লি। নুংঙাইহন্দবা ৱাখল হায়ববু ইরমদম নীংশিংলকপদা উরকপা ইরমদমগী অমোৎ অকাই, অতেক অকায়, মওং-মরীল তাদবা, কায়রবা, হোরবা লম্বী-থোং ময়াম অদু খক্তনি।

ঈথৎ অসিদা নিংথিজবশিং অসিগী মথক্তা মরু ওইবা ঈথৎ অসিদগী সমুদ্রগী ঈশিং ঈপাক্তা মিনট ১৫দগী পুং ১/২ চৎলগা লৈবা ঈথৎ মরি/মঙা অমসু লৈরি। টুরিষ্ট কয়াদি হায়রিবা ঈথৎশিং অসিদসু য়ৌনৈ। তৌবতবু মাঙজৌননা ঈথৎশিং অসিদা চৎপগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাই। ঐখোয়সু ইচানুপা ননাওগা স্মোল কিনমেন হায়রিবা ঈথৎ অদুদা চৎতুনা টেক্সি দ্রাইভর অমনা ঐখোয়গী গাইদ ওইদুনা কোয়রুই। স্মোল কিনমেন অসিদনা অমুক্কা হেন্না নিংথিজনা, নান্না লৈরম্বা উবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজবা ফাওখিবনি পুং অনীমখায়/অহুম কোয়বদুদা। ফোটো অমদি ভিদিওনচিংবা ময়াম অমা নম্লকই। ডা. মীতৈ হায়না য়াওবা ঐহাক্কী য়ুট্যুব চেনেলদা হাপ্লক্কে মথং মথং। অতৈসু য়াম্না লৈরি, মতাং চাবদা পাউদমজরক্কে, য়াইফমিন্নরসি। ●

ষ্টেটকী পাউ

অৱাংপাৎ লৌকোলদা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎলগনি : এ এল এফ দি সী

কৈরাও, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): কৈরাও মক্তিংগী অৱাংপাৎ লৌকোলগী অকোয়বদা লৈবা মফম কয়া খোপচিনখিবদগী লৈফম থোকপা লৌকোল অসিগী শক্তম কায়রক্লিবা অসিগী মতাংদা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টগী মীওইশিংগা য়েংশিনমিন্নরগা লৈফম থোকপা এরিয়া লৈহন্নবা হোৎনরগনি হায়না অৱাংপাৎ লৌকোল ফার্মরস দিভলপমেন্ট ক্লব (এ এল এফ দি সী), কৈরাও মক্তিংগী চীফ এদভাইজর এম আই খাননা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোরক্লি।

এম আই খাননা মখা তারদুনা হায়, খুনগী ওইনা লৈরিবা অৱাংপাৎ লৌকোল অসি চহী ২০গী মমাংদগী ঐখোয়গী ইপা-ইপূশিংনা য়োকখৎনবা কন্না হোৎনজরক্লবসু, রেজিষ্টর তৌদবা, লো খঙদবা মীওই খরনা লোগী ৱাংমদা মখোয়গী অহল-লমনশিংনা চহী কয়াদগী শেন্নরকপনি হায়না মখোয়না তৌনিংবতা তৌদুনা লৌচুম খূদিংমক চাদুনা লাকখিবনি। অদুবু ৱাখল মান্নবা মীয়ামগীদমক্তা কথোক্লবা মীওই খরনা হৌখিবা থা ৬ তগী রেজিষ্টর তৌনবা হোৎনরকখি।

ফার্মর ক্লব অসি ঙসিদি কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্ট দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার ইম্ফাল ইষ্টতা এম এস আর এক্ট ১৯৮৯ অন্দর সেক্সন ৪ (১) (২) এন্দ সেক্সন ৫ এন্দ রুলস ২০০৪ সেক্সন ৫গী মখাদা রেজিষ্টর নম্বর পীবীরে। মরম অসিনা ফার্মরস ক্লব অসিনা মীয়ামগা তান্নরগা মতম-মতমগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌরগনি। ক্লব অসিদা য়াওনিংবা মীওইশিংনা ক্লব অসিদা মিং চনবীয়ু লোয়নননা ক্লব অসিগী অয়াবা য়াওদনা অৱাংপাৎ লৌকোলগী এরিয়াদা নৌনা রেজিষ্টর তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু থম্লকখি।

নাশা মুক্ত ভারত কেম্প্যেনগা মরী লৈননা ভলন্টিয়রশিংদা ট্রেনিং পীখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নাশা মুক্ত ভারত কেম্প্যেন কম্মিটি, থৌবালনা শীন্দুনা 'প্রিভেন্সন ওফ সবষ্টেন্স এন্দ অলকোহোল এব্যুজ' হায়বা হীরমদা ঙসি মাষ্টর ভলন্টিয়রশিংদা ট্রেনিং পীখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্টগী পাউতাক মতুং ইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা চত্থরিবা নাশা মুক্ত ভারত কেম্প্যেনগী মনুং চন্না ঙসিগী ট্রেনিং অসি পাঙথোকপনি।

ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটায়র্দ দিরেক্টর প্রো. এন মোহেন্দ্র, দি সী থৌবাল এন বন্দনা আই এ এস, এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচা অমদি ষ্টেট লেভেল কোওর্দিনেটিং এজেন্সী মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. এ জয়ন্তকুমারনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা প্রো. এন মোহেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, অফবা তুংগী য়ূম্বীরেল অমা ওইহনবদা নহারোলশিং অসি মশা খিংবা, খঙ-হৈনিংবা, মীৎ-না শিংবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপগী মতীক ময়াইশিং চেলহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। অদুবু হায়রিবা মতীক ময়াইশিং অসি খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবা নহা ওইরিবা খূদিংমক্তা য়াওরক্তবা অসি লাইবক থীবনি। মসি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং শীজিন্নরকপদগী ওইরকপনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী ঙাকথোক্লা থমদুনা তিঞ্জং কায়জংদনা থম্নবা মাষ্টর ভলন্টিয়রশিং অমদি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
DHANAMANJURI COLLEGE OF ARTS, IMPHAL
DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

06,OCTOBER 2020

No.1/1/Adm/2018-DMCA: Applications in prescribed forms are invited for admission in M.A. 1st Semester in English, Economics, Geography, Manipuri, Political Science, Education, Sociology, History, and Philosophy in Dhanamanjuri College of Arts, Imphal, Dhanamanjuri university, Manipur for the academic session 2020—2021.

E-Prospectus along with the prescribed application form can be downloaded from www.dmcarts.ac.in and university website, www.dmu.ac.in from 9th October, 2020.

Application forms complete in all aspects should be submitted offline to the counter opened at the office of D.M. College of Arts, Imphal from 11:00 A.M. to 3:30 P.M. during all the working days from 10th October till 16th October, 2020 along with Rs.300/-.

Date of issue of the admit card and details of the entrance examination can be had from the college notice board and the above websites.

Sd/- **DR. CHUNGKHAM SHEELARAMANI**
PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL

HL-P/7683/8&9

ꯁꯤꯔꯦ/ শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু নাওকোনবীরম্বা ঐগী ইপুরোইবা **শ্রীনিংথৌজম কোমোল সিংহ**—না মনুং মতম চাদনা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু থাদোকপীরম্লগা, হৌখিবা তাং ০৪/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ১৭নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা **দেবদাস** হায়বা নাম ফংজরদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তী ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৯/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ২২নি পানবা ইরাই নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৭/১০/২০২০ ইং, মেরাগী ১নি পানবা থাংজ নুমীৎতা চিড়া-উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং শ্রীগৌরচন্দ্রায়গী চরন্দা হরি-সঙ্কির্ত্তণগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈবা মরম্না ইমুং-মনুং খক লাইগী থৌরমতমক অককুবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা পূম্নমক্লা ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি।

বিনিতগণ ঃ

শ্রীমতি নিংথৌজম মনাওতোম্বী দেবী (সহধর্ম্মিনি)
অমসুং ইমুং-মনুং
খাঙবোক পার্ট-২, মাইস্নাম লৈকাই।

HL-B/6444/8

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ 'কবিরাজ ABDUL HAQUE পু থাগৎচরি'

নুংশংগী অনাবনা মতম কুইনা ঐগী হকচাং অৱাবা কয়াগা লোয়ননা লেল্লকখি। মফম কয়াদসু চৎলুরে, লায়েংবা য়াবা লায়েংলুরে অদুবু মপূং ফানা ফবদি ঙমখিদে। পাউচে অসিদা ওজা **Abdul Haque,** Contact No. **:** 8794429681, 8014623756 অসি থেংনজবদগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঙসিদি ইশাগী পাইলসকী অনাবশিং খোঙ হান্বদা ঈ য়াওবা, অমাংথোঙগী মপান্দা শৌজ থোকপা, মনুংদসু পোন্বা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখাইবা, মচুম তাবা অমদি ঙকশম মরী নাবনচিংবগী নুংঙাইতবশিং ঙসিদি ফরে। মরম অদুনা ওজা **Abdul Haque** পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

থাগৎচরিবা : **L. Khoka Meitei**
Langthabal Mantrikhong

HL-P/7520/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 796/SDC/NBL of 2020

Leimapokpam Nando Singh S/o (L) L. Netra Singh of Ningombam Awang Leikai (Share area 0.05 acre from dag No. 1105 and 0.06 acre from dag No. 1107) -Petitioner

-Vrs-

(L) Leimapokpam Netra Singh S/o (L) L. Angou Singh of Kabowakching - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 7/10/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25-Kabowakching Patta No. 275 (Old) 396 (New) dag No. 1105 Area 0.25 acre of Ingkhol Class and Patta No. 230 (Old) 397 (New) dag No. 1107 area 0.34 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোলশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মথক্তা পল্লিবা মাগী ইংখোল শরুকশিং অসি মঙোন্দা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগ্রগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Nambol

HL-P/7688/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mutation Case No. 531 of 2020

App :-
1. Moiranghtem ongbi Nganbiton Leima W/o (L) Inaobi Meitei of Sugnu
2. -do- ongbi Ibemcha Devi W/o (L) Ingocha Singh of -do-
3. -do- ningol Laishram ongbi Akoibi Devi W/o (L) Akajao Singh of -do-
4. -do- ningol Memcha Devi D/o (L) Lalu Singh of -do-
5. -do- ningol Khaidem ongbi Bino Devi W/o Jugeshwor Singh of -do-

-Vrs-

Opp :-
(Late Moirangthem ongbi Shakhi Devi W/o (L) Lalu Singh of Sugnu.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated : 6th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং. 91-Sugnu পাট্টা নং. 421/1492 দাগ নং. 2277/3121 এরিয়া .13 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Waikhong

HL-B/6445/8

ꯃꯥꯡ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my original Registration Certificate bearing Registration no. 1100114695 of 2011 issued by Manipur University on the way between Soibam Leikai and Wangkhei on 03/10/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yengkhom Jeena Devi**
9774444431

HL-P/7684/8

GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG

Ref :- Mut. Case No. 84/SDC/L/2020

Keisham Loken Singh S/o (L) K. Lalpapu Singh of Thiyam Konjil Awang Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Keisham Lalpapu S/o (L) Juhlon Singh of -do- - Ops.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Lilong, the 6th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি Village No. 17-Chaobok Patta No. 669(O), 736 (N) দাগ নং. 3279 Area .0756 হে: চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মথক্কী মচানুপাদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা এপ্লিকেসন তৌরক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংলবদি লাক্লিবা Date 14/10/2020 ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অইবা ওইনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Lilong

HL-P/7690/8

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref :- Mut. case no. 379/AS & SO/TBL 24/09/2020

Kshetrimayum Ronaldo Singh S/o Ksh. Ranjit Singh of Kiyam Siphai Wangmataba Kshetrimayum Leikai.

-Vrs-

(Late) Kshetrimayum Iboyaima Singh S/o (L) Atomba Singh of Kiyam.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

7/10/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং. ৬৮৫ (অরিবা) ৮৫৭ (অনৌবা) সী এস দাগ নং. ২৯৬, এরিয়া .১৮১০ হেক্টর চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মশুনা লম অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা লাক্তুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer, Thoubal,
Govt. of Manipur

HL-P/7691/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 798/SDC/NBL of 2020

1. Oinam (O) Apombi Devi W/o (L) O. Ningthemba Singh (Area 0.22 acre)
2. O. Tomba Singh S/o (L) Ningthemba Singh (Area 0.10 acre)
3. O. Keinahanbi Devi W/o O. Tomba Singh
   (Ptn No. 2&3 share area 0.10 acre)
4. O. Dilip Singh S/o O. Kumar Singh (Area 0.10 acre)
5. O. Kanta Singh S/o O. Dhaballo Singh (Area 0.10 acre)
6. O. Robindro Singh S/o O. Amu Singh (Area 0.10 acre)

All of Khathong Makha Leikai. -Petitioners

-Vrs-

(L) Leimapokpam Anou Singh S/o (L) L. Ratra Singh of Leimapokpam. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 7/10/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 14-Khathong Patta No. 41 (Old) 10 (New) dag No. 314 Area 0.62 acre of Anganphou Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (1), (2),(3),(4), (5), (6) মাগী-মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুশিং অসিদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগ্রগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Nambol

HL-P/7688/8

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST : LAMSANG

Ref :- Mutation case no. 296/SDC/IW-L/2020

Ningthoujam (o) Tombi Devi W/o (L) N. Bheigya Singh of Phayeng Sabal Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late Ningthoujam Bheigya Singh S/o (L) Komoro Singh of Phayeng - OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

6-10-2020

U/S 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নিংথৌজম ভৈগ্যা সিংহ পীতা মৃত কোমোরো সিংহ সাং ফয়েংগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং. ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৭৯/৩২২ দাগ নং. ১০৬৮/১৩২৮ এরিয়া ০.৮৪০০০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Lamsang

HL-P/7689/8

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোঙ মপান্দা চেখোয়বা, চেখোয়বদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ হান্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, অমাংথোঙ মনুংদসু নাবা, শা-ঙা তোয়না চারগনা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা, খোঙ হান্নকপা মতমদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা তৌরগা য়াম্না অৱাবা ওইবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা অমদি অমাংথোঙ মপানগী চেখায়বা অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ অকনবা হামদরগদি কৈসু তৌদবা, অমাংথোঙদা চিকপা নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু পুংখায়মুক অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা মচা অমা পোমথোক্লকপা, শা-ঙা তোয়না চারগনা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু তোকখিবা, খোঙ তোয়না হান্বা করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হামনিংবা, খোঙ হামনিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙগী অকোয়বা হাক্কৎচরকপা, খোৎলুরগনা অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোরকপা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **S. Roshan Meitei,** Usoipokpi

HL-B/6380/08

ꯊꯥꯒꯠ/নুংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোন্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুন্সীগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
Patsoi Makha Leikai, Part- 4

HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct.

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।